# কার্বরনা নম্বর ৱান ওইনবগী তৌখিবা আশা অদু কায়খ্রে, ৱোজনিয়াক্কিনা দুবাইগী ফাইনেল চঙখ্রে



দুবাই, ফেব্রুৱারী ২৫ :
এঞ্জেলিগ কার্বরনা ৱর্ল্ড নম্বর ৱান রেঙ্কিংদা অমুক হন্না হল্লক্নবা তৌখিবা আশা অদু দুবাই টেনিস চেম্পিয়নশিপকী সেমী ফাইনেলদা ইলিনা সভিটোলিনাগী মখূৎতা মায়থীখিবদগী কায়খিবগা লোয়ননা কারোলিন ৱোজনিয়াক্কিনা মহাক্কী মতিং থোকপা ফোর্ম অদু মখা তানা চখ্থিদুনা ফাইনেল চঙখ্রে।

টোপ সীদ কার্বরনা তরেৎশুবা সীদ সভিটোলিনাগী মখূৎতা ৩-৬, ৬-৭ (৩-৭) তা মায়থীহৌখি। সভিটোলিনানা সিজন অসিদা দব্লিয়ু টি ঐচ টুর টাইটল লৌখ্রবনি।

মেচ অসিগী অনীশুবা সেটতা প্লেয়র অনীনা অকনবা মওংদা তকখৎনদুনা শান্নখি অমদি সভিটোলিনানা ৪-২ দা মাঙজিল থানা চৎখি অমদি কার্বরনা নিংথিনা খূৎ হনখিদুনা ৬-৫ দা লৈখি। অদুবু সভিটোলিনানা অথুবদা মতিক চাবা পাউখুম পীখিদুনা টাই ব্রেক্তা মায় পাকখি।

অমরোমদা চেম্পিয়নশিপ অসিগী অতোপ্পা সেমী ফাইনেল মেচতা কারোলিন ৱোজনিয়াক্কিনা লাটভিয়াগী অনাষ্টাসিয়া সেভাষ্টোভাবু ৬-৩, ৬-৪ দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙখি। হান্নগী ৱর্ল্ড নম্বর ৱান ৱোজনিয়াক্কিনা হন্দক্তা থোকখিবা দব্লিয়ু টি এ রেঙ্কিংদা ১৫ শুবা মফমদা হল্লকখি অমদি মমাঙ চয়োলদা দোহাদা পাঙথোকখিবা টুর্নামেন্ট অদুগী সেমী ফাইনেলদা মায়থীহৌখি।

ৱোজনিয়াক্কিনা হায়খি, ঐগীদমক্তদি চৎলিবা চয়োল অসি খ্বাইদগী অফবা হায়বদুনি। ঐনা মমাঙ চয়োলদা দোহাগী সেমী ফাইনেলদা মায়থীহৌখি। অদুগা চয়োল অসিদনা সেমী ফাইনেলদা মায় পাক্লুনা ফাইনেল চঙবা ঙম্লে। ঐনা ফাইনেল চঙবা ঙম্বসি চাউথোকচনিঙাইনি হায়না মহাক্না হায়খি।

ৱোজনিয়াক্কিনা ফাইনেল চঙখিবা অসিনা মহাক্কী কেরিয়রগী ৪৪ রকশুবা সিঙ্গলস ফাইনেল চঙবসু ওইরে। অদুগা মহাক্না টাইটল ২৫ লৌবা ঙমখ্রে।

মহাক্না অরোইবা ওইনা কুমজা ২০১৪ গী যু এস ওপন অমদি টোকিয়ো টুর্নামেন্টগী ফাইনেল চঙবা ঙমখি। অদুবু মহাক্না অনীমক মায় পাকপদি ঙমখিদে। ৱোজনিয়াক্কিনা কুমজা ২০১১ দা দুবাই টাইটল লৌখ্রে। মহাক্না চহী তরেৎ অসিদা য়ামদ্রবদা সেমী ফাইনেল তরক্লক চঙবা ঙমখ্রে অমদি মায় পাকপগী রেকোর্দনা ২২-৫ ওইরি।

মহাক্না হায়, ঐনা মফম অসিদা শান্নবদা অপেনবা পোকই। মফম অসিদা অমুক হন্না ফাইনেল চঙবা ঙম্বদা নুঙাইবা পোকই হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

চৈরক অসিদা ইন্দিয়াগী সাইনা মিরজা অমদি চেক রিপব্লিক্কী বার্বোরা ষ্ট্রাইকোভানা দুবাই টেনিস চেম্পিয়নশিপকী দবলসকী সেমী ফাইনেল মেচতা রসিয়ন দো ইলেনা ভেসনিনা অমদি ইকাটেরিনা মাকারোভাগী মখূৎতা মায়থীহৌখিদুনা চহী অসিগী অহানবা টাইটলগীদমক মিৎয়েং থমখিবা অদু কায়খি।

অহুমশুবা সীদদে ইন্দো-চেক্কী জুরা অসিনা অনীশুবা সীদদে রসিয়নগী মখূৎতা ৪-৬, ৩-৬ তা মায়থীখি।

অমরোমদা, অহুমশুবা সীদদে ইন্দো-চেক্কী জুরা সানিয়া মিরজা অমদি বার্বোরা ষ্ট্রাইকোভানা মফম অসিদা চখ্থরিবা দুবাই টেনিস চেম্পিয়নশিপকী ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা তরেৎশুবা সীদ অমেরিকান অবিগোইল স্পেয়র্স অমদি স্লোভেনিয়াগী কাটারিনা শ্রেবোটানিকপু মিনিট ৭৮ চঙনা শান্নদুনা ৬-২, ৭-৫ দা মায়থীবা পীখিদুনা সেমী ফাইনেল চঙখিবনি।

মমাঙ চয়োলদা দোহাদা পাঙথোকখিবা টুর্নামেন্টগী অরোইবা মরিশুবা ষ্টেজদা সানিয়া-ষ্ট্রাইকোভানা অমেরিকান-স্লোভেনিয়াগী জুরা অসিগী মখূৎতা মায়থীখিবনি। সানিয়া-ষ্ট্রাইকোভানা অহানবা সেটতা ২-০ দা মাঙজিল থানা চৎখি। অদুবু অমেরিকান-স্লোভেনিয়নগী জুরা অসিনা মতম খরা নোংনা মেচ মরক থৎহনখ্রবা মতুং নিংথিনা খূৎ হল্লকখিদুনা ২-২ দা চাং মান্ননা লৈখি। সানিয়া অমদি ষ্ট্রাইকোভানা মখা তারকপদা ষ্টেট গেম মরি মায় পাকখিদুনা সেট অদু ৬-২ দা মায় পাকখি।

অহুমশুবা সীদ অসিনা চহী অসিগী অহানবা টাইটলগীদমক মিৎয়েং থল্লিবনি। মখোয়না সিদনিদা ফাইনেল ফাওবা চঙখি অমদি চহীগী অহানবা মেজর টুর্নামেন্ট ওইরিবা ওষ্ট্রেলিয়ন ওপনগী রাউন্দ ওফ সিক্সটিন ফাওবসু চঙখি। মখোয়না অনীশুবা সেটতা ২-০ দা মাঙজিল থানা চৎখি অমদি মদুদগী ৩-১ দা অমুক মাঙজিল থাখ্রবা মতুংদা শ্রেবোটানিক অমদি স্পেয়র্সনা ৪-৪ দা চাং মান্ননা থমখি। অহুমশুবা সীদ অসিনা মেচ অদু ১২ শুবা গেমদা লোইশিন্দ্রিঙৈদা ১১ শুবা গেমদা ব্রোক তৌখি।

সেমী ফাইনেলদা সানিয়া অমদি ষ্ট্রাইকোভানা ওলেম্পিক গোল্ড মেদলিষ্ট অমদি অনীশুবা সীদ রসিয়াগী ইলেনা ভেসনিনা অমদি ইকাটেরিনা মাকারোভাগা মায়োক্নদুনা শান্নবা খোঙফম শেমখিবনি।

# মিলোস রাওনিক, জুঅননা দেলরে বিচ ওপনগী, দোমিনিক্না রিও ওপনগী সেমী ফাইনেল চঙখ্রে

মিয়ামি, ফেব্রুৱারী ২৫ :
টোপ সীদ মিলোস রাওনিকনা মফম অসিগী ষ্টেদিয়ম কোর্টতা চখ্থরিবা এ টি পি টুরগী দেলরে বিচ ওপনগী ইরাই নুমিৎতা শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা ব্রিটেনগী বেলে ইদমুন্দবু ৪-৬, ৬-৩, ৬-৪ দা মায়থীবা পীদুনা সেমী ফাইনেলদা খুমাঙ চাউশিনখ্রে।

মখোয়গী কেরিয়রগী অহানবা ওইনা মায়োক্নদুনা শান্নখিবা অদুদা মশাগী চহী ২৬ শুরবা হার্দ সাভিং কনাদিয়ন অসিনা নিপানশুবা সীদদে ইদমুন্দগী মায়োক্তা এস ১০ কনখি অমদি মহাক্কী অহানবা সার্ভ পোইন্ট চাদা ৯০ মায় পাকখি।

মালেমগী মরিশুবা রেঙ্কতা লৈরিবা রাওনিক্না মথংগী মেচতা অর্জেন্টিনাগী জুঅন মার্টিন দেল পোট্রোনাগা লম্বা তৌদুনা শান্নরগনি। মার্টিন দেল পোট্রোনা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী সাম ক্বেরিবু ৭-৫, ৭-৫ দা মায়থীবা পীদুনা সেমী ফাইনেল চঙখিবনি।

রাওনিকনা মায়োক্নখিবা ইদমুন্দগী মায়োক্তা মতিং থোক্না শান্নখ্রবসু ইদমুন্দনা অকনবা মওংদা খূৎ হল্লকখিবনা প্লেয়র অনীনা হেঞ্জিন্নবা য়াদনা লেখি। অদুবু রাওনিকতা অচেৎপা থাজবা লৈখিবনা হেন্না নিংথিনা শান্নরকখি অমদি ইদমুন্দনা হান্না শান্নরম্বা মওংদগী হোংখিদুনা ফীভম ফত্তনা লৈখিদুনা অহানবা সেট অদু রাওনিকনা ৭-৫ দা মায় পাকখি।

অনীশুবা সেটতসু মমাঙ সেটতা শান্নখিবা অদুগা চপ মান্ননা অহোংবা লৈতনা শান্নরকখিদুনা রাওনিকনা ৭-৫ দা মায় পাকখি।



চহী অসিগী জান্যুৱারীদা পাঙথোকখিবা ওষ্ট্রেলিয়ন ওপন মনুংদা মহাক্কী ফৈগল শোকখিবদগী রাওনিক্না মহাক্কী লৈবাক্কী মহুৎশিন্দুনা দেভিস কপ্তা শরুক য়াবা ঙমখিদে। মহাক্না কুমজা ২০১৬ কী সিজনবু মশক থোক্না লাকখিদুনা মালেমগী রেঙ্কতা অহুমশুবা মফমদা লৈবা ঙমখি।

অতোপ্পা সেমী ফাইনেল মেচতা অহুমশুবা সীদদে জেক সোকনা মঙাশুবা সীদদে ফেল্লো অমেরিকান ষ্টেভ জোনসনবু ৬-৪, ৭-৬ (৭/৪) দা মায়থীবা পীদুনা অনসীদদে দোনাল্ডয়ঙগা মায়োক্নদুনা শান্ননবা খোঙফম শেমখি।

য়ঙনা মায়োক্নগদবা বেলজিয়ম ষ্টেভ দার্সির্সনা মহাক্কী ময়ূমগী ওইবা থাদোকপা য়াদবা মরম খরদগী শান্নবা য়াওখিদবদগী ৱাল্কওভর ফংখিবনি।

অমরোমদা, রিও দি জানৈরোদা চখ্থরিবা রিও ওপনগী ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা অনীশুবা সীদদে দোমিনিক থিয়েমনা অর্জেন্টিনাগী দৈগো শ্বারাটজমেনবু ৬-২, ৬-৩ দা মায়থীবা পীদুনা সেমী ফাইনেল চঙখ্রে।

ওপন অসিগী অহানবা রাউন্দদা নম্বর ৱান কৈ নিশিকোরিনা মায়থীদুনা লৈহৌখিবদগী দোমিনিক থিয়েম্না টাইটল লৌনবগী ফেভোরাইট ওইরিবনি। থিয়েমনা এ টি পি সিঙ্গলস টাইটল তরেৎ লৌখ্রে। মসিগী মনুংদা মঙানা ক্লেদা ওইরি।

মশাগী চহী ২৩ শুরবা ওষ্ট্রিয়ন অসিনা মথংগী মেচতা অলবার্ট রামোস-ভিনোলাসকা লম্বা তৌদুনা শান্নগনি। স্পানিয়ার্দ অসিনা নিকোলাস ফিক্করবু ৬-২, ৬-৩ দা মায়থীবা পীখি।

ওপন অসিগী ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা মশাগী চহী ১৮ শুরবা নোরৱেগী ৱাইল্ড কার্দ কেস্পর রুদনা ব্রাজিলিয়ন থিয়াগো মোন্টেরোবু ৬-২, ৭-৬ (২) তা মায়থীবা পীখি। মহাক্না মথংগী মেচতা করেনো বুষ্টাগা লম্বা তৌদুনা শান্নগনি।

# পুজা, অভানিনা পারা ৱর্ল্ড কপ্তা শিলভর মেদল লৌখ্রে

অল আইন, ফেব্রুৱারী ২৫ :
ইন্দিয়াগী পুজা অগ্রাৱাল অমদি অভানি লেখারানা য়ু এ ঈদা পাঙথোকখিবা ৱর্ল্ড শুটিং পারা স্পোর্ট ৱর্ল্ড কপ্তা শিলভর মেদল অনী লৌদুনা মখোয়গী ইন্টরনেসনলগী অহানবা মেদলসু ওইখ্রে।

পুজানা নুপীগী মিটর ১০গী এয়র পিষ্টল এস ঐচ ৱান ইভেন্ট (পি ২) কী ফাইনেলদা পোইন্ট ২২৮.৪ লৌখিদুনা হঙ্গেরিগী ক্রিসটিনা দাভিদকী হেক মতুংদা লৈখি। দাভিদনা পোইন্ট ২৩০.৭ লৌবা ঙমদুনা ৱর্ল্ড রেকোর্দ থমখি। উত্তরখন্দগী শুটর অসিনা ফাইনেল রাউন্দ ফাওবদা গোল্ড মেদল লৌনবগী লমজেলদা য়াওখ্রবসু অনীশুবা তাহৌখি।

তুংদা অভানিনা নুপীগী মিটর ১০ গী এয়র রাইফল ষ্টেন্দিং এস ঐচ ৱান ইভেন্ট (আর ২) তা পোইন্ট ২৪৪.৪ লৌদুনা ইন্দিয়াগী অনীশুবা শিলভর মেদল লৌবা ঙমখি। মশাগী চহী ১৫ শুরবা অসিনা পোইন্ট ২৪৭.৫ ফংদুনা ৱর্ল্ড রেকোর্দ থমখিবা স্লোভাকিয়াগী ভেরোনিকা ভাদোভিকোভাগী হেক মতুংদা লৈখি।

# শ্রিরাম বালাজিনা আই টি এফ মেন'স ফ্যুচর্স টেনিস টুর্নামেন্টকী দবলস টাইটল লৌখ্রে



জোর্হাট, ফেব্রুৱারী ২৫ :
শ্রিরাম বালাজিনা মফম অসিদা চখ্থিবা য়ু এস দি ১৫,০০০ আই টি এফ মেন'স ফ্যুচর্স টেনিস টুর্নামেন্টগী থাংজ নুমিৎতা শান্নখিবা মেচতা ভিষ্ণু ভর্ধানবু মায়থীবা পীদুনা শিঙ্গলস অমদি দবলস টাইটল লৌখিদুনা অপূনবা টাইটল অনী লৌবা ঙমখি।

বালাজিনা নিংথিনা শান্নখিদুনা ৬-২, ৭-৬ (১) তা মায় পাকখি। দবলস মেচতা বালাজি অমদি ভিষ্ণুনা মোহিট মায়ুর অমদি ভিজয় সুন্দর প্রালাষ্থপু সুপর টাই-ব্রিক্তা ১০-৬ দা মায়থীবা পীদুনা মায় পাকখি। বালাজি অমদি ভিষ্ণুনা মোহিট অমদি ভিজয়বু ৭-৬ (৫), ৬-৪ দা মায়থীবা পীখি।

মসি বালাজিগী নিপানশুবা ফ্যুচর্স শিঙ্গলস টাইটল ওইখি। য়াম্না নুঙাইরিবনা মহাক্না ভিষ্ণুগা প্রোফেসনেল সাক্যুইটতা তরারক শান্নখিবদা মরিরক শুবা ওইনা মায় পাকপসু ওইখি।

ভিষ্ণুনা বালাজিগী মখূৎতা নেসনেল চেম্পিয়নশিপকী ফাইনেলদা মায়থীখি অমদি মহাকপু মমাঙদা শান্নখিবা প্রোফেসনেল সার্ক্যুইটকী ফাইনেলদসু মায়থীবা পীরমখিবশিংগী মনুংদা অমদি মমাঙ চহীদনি। মসিনা বালাজিগী থংনা থংননা সিঙ্গলস ফাইনেল মায় পাকপা ওইখি।

# রভিচন্দ্রন অশ্বিননা কাপিল দেভনা চহী ৩৭ চুপ্না থল্লকপা হোম সিজন রেকোর্দ অদু থুগায়খ্রে

পুনে, ফেব্রুৱারী ২৫ :
ইন্দিয়া অমদি ওষ্ট্রেলিয়া অনীগী পুনেদা চখ্থরিবা অহানবা টেষ্ট মেচকী নীনি চনবা নুমিৎতা রভিচন্দ্রন অশ্বিননা মিটচেল ষ্টাকপু ৱিকেট ওইনা লৌখিবদগী কাপিল দেভনা চহী ৩৭ চুপ্না থল্লকপা হোম সিজন রেকোর্দ অদু থুগায়খিদুনা অনৌবা রেকোর্দ থম্বা ঙমখ্রে।

ইন্নিংস অসিদা অশ্বিনগী অহুমশুবা ৱিকেট ওইখি অমদি হোম সিজন অসিগী অশাংবা ক্রিকেটকী ফোর্মেট অসিদা মহাক্কী ৬৪ শুবা ৱিকেটসু ওইখি। মসিগী মায় পাকখিবা অসিনা অশ্বিননা ইন্দিয়ন বোলর অমনা সিজন অমদা টেষ্ট ৱিকেট খ্বাইদগী য়াম্না লৌবগীদমক কাপিল দেভনা মতম কুইনা থল্লম্বা রেকোর্দ অদু থুগায়খি। 'হরিয়ানাগী হরিকেন' অসিনা কুমজা ১৯৭৯/৮০ গী সিজন্দা টেষ্ট ৱিকেট ৬৩ লৌদুনা রেকোর্দ অদু থমখিবনি।

পুনে টেষ্টকী অহানবা নুমিৎতা অশ্বিননা ওষ্ট্রেলিয়াগী কেপ্তেন ষ্টেভ স্মিথ (২৭) অমদি মেথিয়ু রেনলো (৬৮) বু ৱিকেট ওইনা লৌখিবনি।

অশ্বিননা মমাঙ চহীদা ন্যুজিলেন্দগী মায়োক্তা শান্নখিবা মেচ অহুমগী টেষ্ট সেরিজদা ৱিকেট ২৭ লৌদুনা খ্বাইদগী ৱিকেট মশীং য়াম্না লৌবা ঙম্বা বোল্লর ওইখিবনি। মসিগী মতুংদা ইংলেন্দগী মায়োক্তা শান্নখিবা টেষ্ট মেচ মঙাগী সেরিজদা স্পিন ৱিজার্দ অসিনা ৱিকেট ২৮ লৌখি।

থা অসিগী অঙনবা শরুক্তা বংলাদেশকী মায়োক্তা হায়দ্রবাদতা শান্নখিবা টেষ্ট মেচতা অশ্বিননা ৱিকেট তরুক লৌখি অমদি হৌজিক পুনেদা ওষ্ট্রেলিয়াগী মায়োক্তা চখ্থরিবা টেষ্ট মেচকী অহানবা ইন্নিংসতা ৱিকেট অহুম লৌখিদুনা ইন্দিয়াগী খ্বাইদগী মশক থোক্লবা মেচ ৱিন্নর কাপিল দেভদগী মাঙজিল থাখিদুনা য়েৎননিঙাই লৈতনা রেকোর্দ থুগায়বা ঙম্বা বোলর ওইখি।



# এ বি দি ভিল্লিয়র্সনা গঙ্গুলিগী রেকোর্দ থুগায়দুনা খ্বাইদগী থুনা ও দি আই রন ৯০০০ লৌবা ঙম্বা বেটসমেন ওইখ্রে



ন্যু দেল্লি, ফেব্রুৱারী ২৫ :
সাউথ অফ্রিকাগী বেট্টিং মেষ্ট্রো এ বি দি ভিলিয়র্সনা ৱান দে ইন্টরনেসনলদা খ্বাইদগী থুনা রন ৯০০০ লৌবা ঙম্বা প্লেয়র ওইখিদুনা মহাক্কী মায় পাকপগী রেকোর্দতা অনৌবা রেকোর্দ অমগা হাপচিনবা ঙমখ্রে।

দি ভিল্লিয়র্সগী মায় পাকপগী রেকোর্দ অসি ৱেল্লিংটনগী ৱেষ্টপেক ষ্টেদিয়মদা ন্যুজিলেন্দগী মায়োক্তা শান্নখিবা অহুমশুবা ও দি আইদা য়ৌবা ঙমখিবনি। দি ভিল্লিয়র্সনা মহাক্কী মায় পাকপগী রেকোর্দ অসি ইন্নিংস ২০৫ দা য়ৌবা ঙমখি। মহাক্না হান্নগী ইন্দিয়াগী কেপ্তেন সৌরভ গঙ্গুলিনা ইন্নিংস ২২৮ দা খ্বাইদগী থুনা রন ৯০০০ লৌবা ঙম্বগী রেকোর্দ থমখিবা অদু নমহৎপা ঙমখি।

ও দি আই রন ৯০০০ য়ৌবা ঙমখ্রবা বেটসমেনশিংগী লিষ্টতা দি ভিল্লিয়র্স অমদি গঙ্গুলিগী মতুং ইন্নরিবশিংদি সচিন টেন্দুলকর (২৩৫), ব্রিয়ন লারা (২৩৯), রিকি পোইন্টিং (২৪২), জেক্কেস কাল্লিস (২৪২) অমদি এম এস ধোনি (২৪৪) নি।

দি ভিল্লিয়র্সনা মার্ক ৯০০০ য়ৌবা ঙম্বা ১৮ শুবা প্লেয়র ওইখিবগা লোয়ননা জেক্কেস কাল্লিসকী মতুংদা সাউথ অফ্রিকাগী অনীশুবা প্লেয়রসু ওইখি। মহাক্না চাংচৎতা ৫৩.৮৬ ওইদুনা খ্বাইদগী ৱাংবা অমদি ষ্ট্রাইক রেটতা ১০০ দগী হেন্না ফবা ওইদুনা ও দি আইদা খ্বাইদগী রন স্কোররসু ওইরি। টেন্দুলকরনা ও দি আইদা খ্বাইদগী রন মশীং য়াম্না ১৮,৪২৬ লৌরবসু চাংচৎতা ৪৪.৮৩ দা ষ্ট্রাইক রেটনা ৪.২৩ ওইরি।

ও দি আইদা খ্বাইদগী থুনা রন মশীং ৯০০০ লৌবা ঙমখ্রবশিংদি সাউথ অফ্রিকাগী এ বি দি ভিল্লিয়র্স - ইন্নিংস ২০৫, ইন্দিয়াগী সৌরভ গঙ্গুলি - ইন্নিংস ২২৪, ইন্দিয়াগী সচিন টেন্দুলকর - ইন্নিংস ২৩৫, ৱেষ্ট ইন্দিজগী ব্রিয়ন লারা - ইন্নিংস ২৩৯, ওষ্ট্রেলিয়াগী রিক্কি পোর্ন্টিং - ইন্নিংস ২৪২, সাউথ অফ্রিকাগী জেক্কেস কাল্লিস - ইন্নিংস ২৪২, ইন্দিয়াগী এম এস ধোনি - ইন্নিংস ২৪৪, পাকিষ্টানগী মোহম্মদ য়ৌসুফ - ইন্নিংস ২৪৫ অমদি ইন্দিয়াগী রাহুল দ্রাভিদ - ইন্নিংস ২৫৯ নি।

# হোকি ইন্দিয়া লীগ ২০১৭ ঃ গোল কিপর চার্টরগী মশক থোকপা পার্ফোমেন্সনা কলিঙ্গনা ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে



চান্দিগর, ফেব্রুৱারী ২৫ :
এন্দ্রিয়ু চার্টরনা পীখিবা মশক থোকপা পার্ফোমেন্সনা কলিঙ্গ লেন্সর্সনা মফম অসিগী চান্দিগর হোকি ষ্টেদিয়মদা পাঙথোকখিবা হোকি ইন্দিয়া লীগ (ঐচ আই এল) কী থাংজ নুমিৎতা শান্নখিবা সেমী ফাইনেল মেচতা উত্তর প্রদেশ ৱিজার্দসপু পেনালটি শুট আউটতা ৪-৩ (৪-৪) দা মায়থীবা পীখিদুনা থংনা থংননা ফাইনেল চঙবা অনীরকশুবসু ওইখি।

অক্সদিপ সিংহনা মেচকী মিনিট ৫৮ চৎপা মতমদা চনখিবা গোলনা য়ু পি ৱিজার্দসনা মমাঙগী এদিসনগী রন্নর্স-অপ কলিঙ্গদগী ইক্বেলাইজ তৌবা ঙমখিদবদগী মেচ অদু পেনালটি শুট আউটতা চখ্থি।

দেবিন্দর ৱালমিকিনা মেচকী মিনিট ৯, মোরিটজ ফুর্ষ্টেনা মেচকী মিনিট ৩৫ অমদি বিলি বাকরনা মেচকী মিনিট ৪৬ চৎপা মতমদা গোল চনখি।

টিম অনীগী পেনালটি শুট আউটতা ওষ্ট্রেলিয়াগী চার্টরনা মশক থোকপা পার্ফোমেন্স পীখিদুনা মহাক্কী টিমবু মায় পাকপগী লম্বীদা পুশিনখি। কলিঙ্গগী প্লেয়র ফুর্ষ্টে অমদি অদাম দিক্সন্না কনখিবা বোলশিং পি আর শ্রিজেসনা অথিংবা পীবদগী গোল ওন্থোকহনখিদে।

য়ু পি ৱিজার্দসকী গোঞ্জালো পাইলাদ (পেনালটি ষ্ট্রোক্তা) অমদি ভান ঔবেলনা গোল চনখিদুনা ২-০ দা মাঙজিল থানা লৈখি।

ললিট উপাদ্যা অমদি অরান জালেৱেস্কিনা শুট আউট অদুদা গোল ওন্থোকখিদুনা কলিঙ্গবু মায় পাক্নবগী লম্বীদা পুশিল্লকখি। অদুগা চার্টরনা রমনদিপ সিংহ অমদি অক্সদিপনা কনশিনখিবা বোলশিং অথিংবা পীদুনা চলহনখিদে।

চার্টরনা মখা তানা কলিঙ্গগীদমক মশক থোকপা পার্ফোমেন্স পীখিদুনা ওগষ্টিন মাজিল্লিনা কল্লকখিবা বোল অমা সেভ তৌখি। অদুবু ফুর্ষ্টেনা গোল চন্নবা হোৎনখিবদা অরেম্বা তাখি অমদি ভান ঔবেলনা মখা তানা মশক থোকপা পার্ফোমেন্স পীখিদুনা গোল চনশিনখিবগা লোয়ননা ৩-২ দা মাঙজিল থাখি।

উপদ্যানা গোল অমা চনশিনখিদুনা ৪-৩ দা মাঙজিল থাহনখি। অমদি চার্টরনা অক্সদিপনা কল্লকপা বোল অমা অথিংবা পীখিদুনা গোল ওন্থোকপা ঙমহনখিদে।

য়ু পি ৱিজার্দসনা লীগ অসিগী মরিরকশুবা ওইনা সেমী ফাইনেলদা চঙলত্তুনা ফাইনেল চঙননবগী কেম্পেইন অদু মায়থীখিবদগী নীংবা কায়না লৈহৌখি।

টিম অনীনা মেচ হেক হৌখিবগা অকনবা লম্বা তৌদুনা শান্নরকখি। কলিঙ্গনা য়ু পি ৱিজার্দসকী মায়কৈদা অকনবা এটেক তৌদুনা চঙশিনখি।

য়ু পি ৱিজার্দসসু মায়োক্নখিবা টিমগী মায়কৈদা অকনবা এটেক তৌদুনা চঙশিনখি। য়ু পি ৱিজার্দসনা চঙশিল্লকখিবা এটেক্তা গোল এটেম্পশিং তৌখ্রবসু চার্টরনা অকনবা মওংদা থিংখিবদগী গোল চনবা ঙমহনখিদে।

মখা তানা য়ু পি ৱিজার্দসনা মীদ ফিল্ডদা এটেকশিং তৌদুনা কলিঙ্গগী সাইদতা চঙশিনখি। কলিঙ্গসু গোল চন্ননবগীদমক য়ু পি ৱিজার্দসকী মায়কৈদা কাউন্টর এটেকশিং তৌদুনা চঙশিনখি।

মখোয়গী এটেক্তা গোল চনবা য়াবা খুদোংচাবশিং ফংখ্রবসু গোল ওন্থোকপদি ঙমখিদে। কলিঙ্গগী ফুর্ষ্টেনা মেচকী মিনিট ৩৫ চৎপা মতমদা গোল অমা চনশিনখিদুনা ২-২ দা চাং মান্ননা লৈখি।

ফুর্ষ্টেনা অহুমশুবা ক্বার্টরগী অরোইবা মিনিটতা ফংখিবা পেনালটি কোর্নর অনী গোল ওন্থোক্নবগী খুদোংচাবা ফংখ্রবসু মায়োক্নবা টিমগী দিফেন্দরশিংনা অথিংবা পীখিবদগী গোল চনবা ঙমখিদে।

কলিঙ্গনা মরিশুবা অমদি অরোইবা ক্বার্টরদা চঙশিনখিবা এটেক্তা গোল চন্নবা হোৎনখ্রবসু পাক হেক গোল ওন্থোকপা ঙমদনা লৈখি।

মখা তানা টিম অনীমক্না অকনবা এটেক তৌনদুনা গোল চন্ননবা হোৎনখ্রবসু কান্নবদি ফংখিদে।